অফঘানিষ্টানগী কাবুলদা লৈবা ট্যুসন সেন্টর অমদা মশা শিজদুনা বোম পোকখায়হল্লকপদা ৪৮ শিরে

কাবুল, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী)ঃ

অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা ট্যুসন সেন্টর অমদা মশা শিজদুনা বোম পোকখায়হল্লকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৮ শিরে। অদুগা মীওই ৬৭ না অশোক-অপন নংখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না ট্যুসন সেন্টর অদুদা সুইসাইদ বোম্বর অমা মখোঙনা চঙশিল্লক্তুনা মহাক্কী সুইসাইদ বেল অদু দিটোনেট তৌদুনা পোকখায়হল্লকখি। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা অয়ান্বদি নহা ওইরিবা মীওইশিংনি। মহৈরোয়শিং অদুনা য়ুনিভর্সিটি এন্ট্রান্স এগজাম থাননবগীদমক অহেনবা ওইনা ট্যুসন তৌবা লাকপনি। মতম অদুদা মশা শিজদুনা বোম পোকখায়হল্লকখিবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, লৈবাক অদুগী বঘলান প্রোভিন্সতা এটেক চথুরকপদা পুলিস পার্সনেল ৯ অমসুং লাম্মী ৩৫ শিখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

কাবুলদা চথুরকখিবা এটেক অদু টালিবানশিংনা চথুখিবা নত্তে হায়না শেংদোরকখ্রে। অফঘানিষ্টান্দা লৈবা সিয়া মুস্লিমশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা সুনি এক্সট্রিমিসশিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন এটেক কয়া চথুরকখিবা লৈখ্রে। ইস্লামিক ষ্টেটকা শম্নবা সুনি মুস্লিম এক্সট্রিমিসশিংনা সিয়াশিংগী মথক্তা অকনবা এটেক চথুরকপগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। নুমীৎ অদুমক্তদা টালিবানশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, অফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা রেদ ক্রোস ৱার্করশিং কদায় ফাওবা শাফবা ওইহনগদগে হায়বদু চপ চানা গরেন্টি পীবা ঙম্লোই। টালিবানশিংগী মীওই কয়া কাবুলগী জেলদা নমশিন্দুনা থম্বীরি। চথুরকখিবা এটেক অদু সুইসাইদ বোম্বর অমনা চথুরকখিবনি। বোম্বর অদুনা ট্যুসন সেন্টর অদুদা চঙশিল্লক্তুনা সুইসাইদ বেল অদু দিটোনেট তৌদুনা পোকখায়হল্লকখিবনি হায়রি।

পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় হসমট ষ্টানিক জাইনা ফোঙদোরকখিবদা, এটেক অদু করম্বা কাঙবুনা চথুরকখিবনো হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি। লমদম অদুদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংসু মপাঙ্গল কন্না লৈরিবনি। মদুতা নত্তনা টালিবানশিংগী ওইনসু খুৎলিংবা মফম অমা ওইরিবনি হায়রি।

মহে তম্ফম অদুদা তমথিবা এটেক চথুরকখ্রবা মতুং মহৈরোয়শিংগী অশিবা হকচাং মচেৎ মচেৎ চোইনা তাদুনা লৈখিবা অদু খ্বাইদগী হেন্না কিনিংঙাই ওইবা ফীভম অমনি হায়রি।

অশাদুলা কৌবা মীওই অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, বোম পোখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মহাক মফম অদুদা চেন্শিনখি। লোয়ননা মহাক্কী চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিবা মনাওনুপা অমা কন্ননবা হোৎনখি। মহাক্কী মনাওনুপা অদু মশা খিং-খিং লাউবা অমসুং মহাক্কী ক্লাস মকোক ওইদুনতা লাকখিবা অঙাংনি। মহাক হিংলমখিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি। অদুম ওইনমক মহাক্কী হকচাং অদু থিবা ফংখিদে। মদুগী মতুং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা হকচাং অদু কৃ অমদা হাপ্তুনা পুথোরকখিবা থেংনখি। পুলিসকী কৃশিং অদুদা এটেক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই কয়াগী হকচাংশিং য়াওরম্বা থেংনখি।

অফঘানিষ্টান্দা হৌজিক লাম্নীগী ওইবা ঈ-নাই তাবগী থৌওং কয়া থোক্লি। ঘজনি প্রোভিন্সতা টালিবান-শিংনা অচৌবা এটেকশিং চথুরকখিবা লৈখি। মদুদা সিক্যুরিটি পর্সনেল ১০০ হেনবগী পুন্সি মাংখ্রবনি হায়রি। য়ু এনগী রিপোর্ট মতুংইন্না ঘজনিদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীচম ১৫০গী পুন্সি মাংখি। মদুতা নত্তনা অফঘানিষ্টানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোক্লিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে হায়রি।

মেক্সিকোগী মহৈরোয় মরিনা সেল্ফ দিফেন্স কোট পুথোকখ্রে

মেক্সিকো, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী)ঃ

মেক্সিকোগী মহৈরোয় মরিনা এটেক চথুরকপদা মশা ঙাকথোকপা ঙমগদবা কোট পুথোকখ্রে। কোট নৎত্রগা জেকেট অদু শেৎপা মীওইশিংদা মশা পায়দুনা এটেক চথুরকপদা ইলেক্ট্রিক করেন্ট চৎহন্দুনা এটেক চথুরক্লিবা মীওইশিং অদুবু ৱাখল তাহন্দবগা লোয়ননা মশা ঙাকথোকচবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈহল্লে।

মেক্সিকো সিটিদা সেক্সুএল এটেক চথুরকপগী চাং ৱাংখৎলকপগা মরী লৈননা মহৈরোয় নুপীশিং মশা ঙাকথোকচনবা ৱাখল্লোন অদু পুথোরকখিবনি। ইলেক্ট্রিক কোট অদু খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নবগী ৱাখল্লোন লৈতে। অদুম ওইনমক এটেক চথুরকপা মীওইশিং অদুদগী নাম্থোক্লবা থৌশিল অমগী মখাদা শেমগৎপনি। কোট অদুদগী থাদোরকপা ইলেক্ট্রিক করেন্টনা এটেক চথুরকপা মীওইশিং অদু লাকশিনবা ঙমগনি। ৱিমেন ৱায়রেবল হায়না মমিং থোনবা অখন্নবা জেকেট নৎত্রগা কোট অদু মেকাট্রোনিক্স এঞ্জিনিয়ারিং মহৈরোয়শিংনা পুথোকপনি।

মোন্টেরে ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি অমসুং হায়র এদ্যুকেসনদা তম্লিবা মহৈরোয় মরিনা অখন্নরবা জেকেট অদু পুথোকপগী ৱাখল্লোন ফাওরকপগা লোয়ননা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক অদু তৌরকখিবনি।

মহৈরোয়শিং অদুনা ফোঙদোক-খিবদা, মখোয়গী নুপী মরুপশিং খুদোংথিবা কয়া নংখিবা লৈখ্রে। নুপী-নুপা খায়বগী মওংদা চথুরকপা এটেকশিংগী মরমদা থিগৎলবা মতুং নুপীশিংবু মশা ঙাকথোকচবা ঙম্ননবা থৌশিল পায়খৎপগী ৱাখল্লোন অদু পোকহল্লকখি হায়রি।

মহৈরোয়শিংনা পুথোক্লিবা কটুন ট্রেক স্বিট জেকেট অদুদা নাইন ভোল্টকী বেট্টরি য়াওরি। মদুদা নত্তনা ট্রান্সফোর্মর অমসু হাপ্লি। বেট্টরি অদুদগী থাদোরকপা মৈ অদু ট্রান্সফোর্মর অদুনা সোক্ক তৌবা য়াবা করেন্টদা ওন্থোক্লে। করেন্ট অদু বট্টল অমা শীজিন্নদুনা মুথৎপা নৎত্রগা থাগৎপা য়াহল্লি।

রোবোটিক ষ্টুদেন্টস গিৱান পার্কনা দিজাইন তৌবা সার্ক্যুইট জেকেট অদু পাক শন্না শীজিন্নবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। সিষ্টেম অমা শেমদুনা জেকেট অদুগী বেট্টরিশিং ওন তৌদুনা এটেক চথুরকপশিংদগী ঙাকথোক্লবগী মগুন য়াওরি হায়রি।

সুদানগী হি অমা লাকশিনখিবদা মহৈরোয় ২৪, হেল্‌ঠ ৱার্কর অমা ঈরাক্লদুনা শিখ্রে

খারতুম, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী):

সুদানগী নোংপোক থংবা শরুক্তা থোকখিবা হি লাকশিনবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা স্কুল চৎপা মহৈরোয় ২৪ অমসুং হেল্‌ঠ ৱার্কর অমা ঈরাক্লদুনা শিখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না নাইল তুরেলগী মশা অমা ওইরিবা তুরেল অদুগী অকবনা ঈশিং ঈচেল অদু লাম্থোক্লবা হোৎনবদা মহৈরোয় ৪০ রোম পুবা হি অদুগী ইঞ্জিন ফেল ওইরকপদগী খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মহৈরোয়শিং অদু চহী ৭ তগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনি। মহৈরোয়শিং অদুনা স্কুলদা হি তোংদুনা লাকপগী লম্বীদা মখোয়না তোংলকখিবা হি অদু মথক মখা ওন্দুনা লাকশিনখিবনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশিবা হকচাং অনী ফংবা ঙমখ্রে। কেনবা হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর অফ ইল খায়র অদাম য়ুনিসনা ফোঙদোরকখিবদা, মহৈরোয়শিং অদু মহৌশাগী ওইনা মখোঙনা স্কুলদা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক নুমীৎ অদুদদি মহৈরোয়শিং অদুনা হি তোংদুনা লাক্লমখি। অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা ঈশিং চাউখৎলক্লবা তুরেল অদুদা হি তোংদুনা লাকখিবা অদুনা চাউনা খুদোংথিবা থোকহন্নবগী মরম ওইখি। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা অয়ান্বদি নুপীমচাশিংনি হায়না সুদান রেদিওনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা ইমুং অমগী মহৈরোয় মঙা য়াওরি। অদুগা ইমুং অহুমগী মহৈরোয় অনী/অনীসু খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে হায়রি।

অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা টেলিফোন নেটৱার্কসু খুদোংচাদবা থোকহনখি। মদুনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী পাউ পীননবা হোৎনবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি হায়খি। ফোন নেটৱার্ক হেক য়ারকপগা মরী লৈনবশিংদা খুদোংথিবা থোকখিবগী পাউ অদু পীখি। অদুম ওইনমক পাউ পীখিবা অদু খুদোংথিবা থোকখ্রবা মতুং পুং ৫ গী মতুংদা ওইখি হায়রি।

লিবিয়া কোর্টনা মীওই ৪৫ শিবগী চৈরাক পীখ্রে

ত্রিপোলি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী):

কুমজা ২০১১ দা থোকখিবা মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা লিবিয়া কোর্ট অমনা মীওই ৪৫ শিবগী চৈরাক পীখ্রে।

চহী অদুদা খোঙজং চঙশিল্লকপা মীওই কয়া নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা লিবিয়াগী ক্রিমিনেল কোর্ট অমনা মীওইশিং অদু শিবগী চৈরাক পীখি। লৈবাক অদুগী হান্নগী লুচিংবা মুৱামর গদাফিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংদা রিবেল ফোর্স অদুনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংহনখি। লিবিয়াগী পুৱারীদা মীওই ৪৫ শিবগী চৈরাক পীবা হায়বদু হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরে। অদুক য়াম্না মীয়াম শিবগী চৈরাক পীখিবা লৈত্রি। লিবিয়াদা চহী ৭ কী মমাঙদগী তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লৈহন্নবা অকনবা থৌশিল পায়খৎলকখিবনি হায়রি।

[illegible]

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/4774/4/8-4/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref:- Mut. Case No. 392 of 2018

Prasanta Singh Maibam S/o (L) Surjakumar Singh of Chingamakha Maisnam Leikai.

...... *Applicant*

-Vrs-

(L) Maibam Thambou Singh S/o (L) Tomba Singh of Chingamakha Maisnam Leikai.

...... *O.P. Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE

Oinam, the 16th August, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৩২/৪৯৪, ৩২/৪৯৭, দাগ নং ২০৬৪, ৩৩৮ এরিয়া একর ১.২১, ১.৪৩ চাওবা ফৌরেল লৌফম অনী অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারল্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**

Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/1993/17

ꯊꯕꯛ/JOB FOR X AND XII PASS

No High Qualification, No Deposit,
No experience Required

Class X, XII পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংবু তোঙান-তোঙানবা ওফিসল পোষ্টকীদমক থবক কৌজরি। ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, সেনাপটি, চান্দেল, উখ্রুল অমদি তমেংলোংনচিংবা দিষ্ট্রিক্টশিংগীদমক ওইগদবনি। থবক অসি মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা লাইরিক তম্লিবা, তম্বা তোল্লবা খুদিংমক্না এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

No. of Vacancy : **37 Male & 25 Female**
Income : **₹10,000/- to ₹35,000/-**
Visiting Hr : **12 noon to 3 pm.**

অথাপ্পশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু লৈগনি। এপ্লাই তৌবীনিংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Bio-data গা লোয়ননা অথুবা মতমদা তান্নবীয়ু।

Contact : **☎ 8014170652, 8414834122,**
or, **9774986962**

HL-P/3601/6,8,10,17

সাউথ ৱালেসতা পাক শন্না লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক থোক্লে

সাউথ ৱালেস, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়াগী ইকং মায়োক্লরিবা ন্যু সাউথ ৱালেসকী মফম কয়াদা মতম চাদনা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক কয়া থোক্লে। ষ্টেট অদুগী মফম ৮০ দা হৌজিক লাম্মৈ চাক্লি। লাম্মৈ অদুনা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা লম হেক্তর ১০০০ মাঙহন-তাকহনখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক মীওইবগী পুন্সি মাংবগী পাউদি লৈতে হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

নিংথমথা চঙশিল্লকপা মতম অসি লমদম অদুগী ওইনা কংনা লৈবা অমা ওইরে। মমাঙ চয়োলদা ন্যু সাউথ ৱালেসকী মফম কয়া ইকং থোক্লে হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। ন্যু সাউথ ৱালেন রুরেল ফায়র সার্ভিসকী কম্মিস্নার সেন ফিটজ সিমোন্সনা ফোঙদোরকখিবদা, লমদম অদুদা ইকংগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা চাউনা মৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোকপা উরে। লমদম অদুদা হৌরিবা উ-ৱাশিং কংনা লৈবা, ঈশিং মনিলগী চাং হন্থবা অমসুং পুংদা কিলোমিটর ১০০ রোমগী চাংদা নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইরগা লাম্মৈ অদু থুনা য়াংনা শন্দোরক্লবগী মরম ওইহল্লি।

লৈবাক অদুগী ওইনা য়েন্নিংথা হৌরকপা মতমদা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোকপা লৈখি। অদুম ওইনমক মতম চাদনা ঙসিদি লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক থোক্লে। নিংথমথা চঙশিল্লকপদা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক অমা মায়োক্লখি। ন্যু সাউথ ৱালেসতা চহী খুদিংগী ওইনা ওগষ্ট থাদা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখিবা থেংনদে। অদুম ওইনমক অনৌবা অমা ওইনা পাক শন্না লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক থোক্লে হায়রি।

ꯃꯥꯡ/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet, Provisional Certificate, Admit Card, Registration Card of HSLC Examination, bearing Roll No. 28982 of 2016 issued by BOSEM & Original Marksheet, Provisional Certificate, Admit Card, Registration Card of Hr. Secondary Examination, bearing Roll No. 8783 of 2018 issued by COHSEM and OBC Certificate, Character Certificate, Transfer Certificate, Aadhar Card, Imphal College and DM College Entrance Test Admit Card on the way between Sugnu to Imphal while riding Bus on 23/06/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Sumandip Moirangthem**
Serou Mamang Leikai
☎ 8732027006, 9612558051, 8837363466

HL-P/5235/17

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref:- Mut. Case No. 393 of 2018

1. Maibam Ibohal Singh S/o (L) Thambou Singh
2. –do– Ranjit Singh S/o –do–
3. –do– Boudhajit Singh S/o –do–
4. –do– Manimacha Devi W/o (L) Surjakumar Singh

all of Chingamakha Maisnam Leikai.

...... *Applicants*

-Vrs-

(L) Maibam Thambou Singh S/o (L) Tomba Singh of Chingamakha Maisnam Leikai.

...... *O.P. Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE

Oinam, the 16th August, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৩২/১৪২৮, ৩২/১৪২২, দাগ নং ২১৩৯, ৪৫৫৮ এরিয়া একর ০.৬৪, ০.৭২ চাওবা ফৌরেল লৌফম অনী অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিশিংনা পাট্টা নং ১৪২২ গী লম পুম্বা অমসুং পাট্টা নং ২১৩৯ দগী একর ০.৩০ অসি লাইগী মীংদা অদুগা অরেম্বা একর ০.৩৪ না দংকারি ২ রনজিৎতা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারল্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**

Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/1993/17

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref:- Mut. Case No. 389 of 2018

Maibam Ibohal Singh S/o (L) Thambou Singh of Chingamakha Maisnam Leikai.

...... *Applicant*

-Vrs-

1. (L) Maibam Thambou Singh S/o (L) Tomba Singh of Chingamakha Maisnam Leikai.
2. Maibam Ranjit Singh S/o (L) Thambou Singh of –do–.

...... *O.P. Pattadars*

ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE

Oinam, the 16th August, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৩২/৭৩১, ৩২/১৪২১, দাগ নং ২০৪৬, ৪৫৫৫ এরিয়া একর ০.৬৪, ০.৮৭ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারল্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**

Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/1993/17

[illegible]/তুম্বদা শ্বর ফুনগৎপা, কোক তোয়না চিকপা, নাতোন হাক্কৎচবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, লোক তোয়না থুংবা, হকথি থোয়না খনবা, লোক খুবদা ঈ য়াওরকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হান্না হন্না থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা সাইনসনা নাদুনা তুম্বদা শ্বর ফুনগৎপা, কোক তোয়না চিকপা, নাতোন হাক্কৎচবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, লোক তোয়না থুংবা, হকথি তোয়না খনবা, লোক খুবদা ঈ য়াওরকপা, নপ শিৎপদসু ঈ য়াওরকপা, শ্বর মনম নমথিবা, নপ মহি তারগা অদুম লৈবা, নাতোন মনুংদা মতুম ওইনা চাওথোক্লগা লৈবা, চাক য়েঞ্চাং মহাও ফাওদবা, নুংশা মঙাল উবা য়াদবা, অহৌবা খোঞ্জেন তাবা য়াদবা, কোক য়াম্না চিকপা, কোক তঙখায় অমা নাকন নাইনা চিকপা নাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM ☎** 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবা : **H. KOIRENG**
Nongpok Sekmai

HL-P/5189/17

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref:- Mut. Case No. 48/SDC/K ***Dt. 08/02/2018***

1. Mutum Sumobala Devi W/o Thokchom Roben Singh of Langthabal Kunja Awang Leikai.
2. Mutum Dhanabati Devi D/o Mutum Dhanaki @ Ibohal Singh of Singjamei Mayengbam Leikai.
3. Mutum Momota Devi D/o Mutum Ibohal Singh of Singjamei Mayengbam Leikai.
4. Mutum Ningol Ningthoujam (O) Ronibala Devi W/o Ningthoujam Ram Singh of Chingamakha Ningthoujam Leikai.

... *Petitioners*

-VS-

1. Maisnam Ningol Mutum Ongbi Ibeton Devi W/o (Late) Ibochaoba Singh of Singjamei.
2. Mutum Ibohal Singh S/o (Late) Mutum Ibochaoba Singh of Singjamei Mayengbam Leikai.

... *O.P.P*

ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE

Kakching, the 10th August, 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহঞ্জরি মদুদি, খুল নং ৬১-ইংরেবন্দ (১) পাট্টা নং: ৬৯১, ৮৮১ (অরিবা), ৮৭৫ (অনৌবা), দাগ নং: ১৩৫৮ অমসুং ১৩৬১ গী লম হেক্তর ০.৬৭৪০ অমসুং ০.৫৮৩০ অপুনবদা ১.২৬১০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগা (২) পাট্টা নং: ২৬৫, ৬৬৬ (অরিবা), ৮৩৯ (অনৌবা), দাগ নং: ২৩২৩ গী লম হেক্তুর ০.১৭০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অনী অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মীং কল্লখগা পাট্টা নং: ৮৩৯ (অনৌবা) গী লম অসিনা দংকারী নং: ৪ গী মীংদা পানীবনবা অমসুং পাট্টা নাং: ৮৭৫ (অনৌবা) অসিনা দংকারি নং: ১, ২ অমসুং ৩ গী অপুনবা মীংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৮/০৮/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথ্রখগনি।

Sd/- **M.R. Shah**

Sub-Deputy Collector, Kakching

HL-P/5239/17

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref:- Mut. Case No. 391 of 2018

Maibam Shivadutta S/o (L) Surjakumar Singh of Chingamakha Maisnam Leikai.

...... *Applicant*

-Vrs-

(L) Maibam Thambou Singh S/o (L) Tomba Singh of Chingamakha Maisnam Leikai.

...... *O.P. Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE

Oinam, the 16th August, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩০-ওইনামগী পাট্টা নং ৩০/৭০৮, ৩০/৭০৯, দাগ নং ৬৪, ১৬৭ এরিয়া একর ১.৫০, ১.০৪ চাওবা ফৌরেল লৌফম অনী অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারল্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**

Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/1993/17

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref:- Mut. Case No. 390 of 2018

Maibam Boudhajit Singh S/o (L) Thambou Singh of Chingamakha Maisnam Leikai.

...... *Applicant*

-Vrs-

(L) Maibam Thambou Singh S/o (L) Tomba Singh of Chingamakha Maisnam Leikai.

...... *O.P. Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟ/NOTICE

Oinam, the 16th August, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৩২/১১৫, ৩২/১৪২০, দাগ নং ২০৪৭, ২০০৬/৪৫২৮ এরিয়া একর ০.৭২, ০.৭৮ চাওবা ফৌরেল লৌফম অনী অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারল্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**

Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/1993/17

<< FRESHER AIRPORT JOBS - 2018 >>

International & Domestic Airlines

Vacancy For : -

1. Fresher Cabin Crew & Hostess
2. Ground Staff & Junior Assistant
3. Cargo Staff , Loader & Driver

Eligibility : 10TH ,12TH ,Graduation

Scale of Pay : Rs.12,500- Rs.48,000 Per M.

Job Location : Mumbai , Gandhinagar, Bhopal & North East States of India.

ꯊꯕꯛ

INTERNATIONAL MERCHENT NAVY JOB

i . Deck Officer & DNS Cadet
ii. Short Term G.P Rating
iii. Ship Hostess For Female
iv. General Steward

Eligibility : X to Graduation.
Age :- 17 to 37 Years
Salary : Min Rs-42,000 Per Month

-FRONT OFFICE RECEPTIONIST JOB IN IMPHAL -

* Wanted Urgently Front Reception in Office of the Leima Job Imphal
No of Post :- 03 Married , Salary :- Rs-5000 to 12,500, Qua :- X/XII

<<< SMS PART/FULL TIME JOB AT HOME>>>

Post: SMS Worker Qua : VIII /X Above. Salary : Rs-8000 to Rs-10,200.

WANTED STAFF AGENT IN IMPHAL

Post : Staff Agent , Age : 18 to 36 Years, Qua : X above. Salary : Rs-8000-Rs12,200.

NAVY JOB IN INDIA

Post : i) Civilian Motor Driver ii) Guard Boys & iii) Radio Operator
Essential : Matriculation Pass or Equivalent. Age : 18 to 30 Years only
Pay Scale : Rs-25000-Rs-811,100

For Detail Pl Visit us at :-Leima Job Guideline Service.
Kwakeithel Bazar, Airport Road, Imphal . Helpline no :-8974975286

HL-B/4793/12/8-10/9(Alt.)